## এডিটোরিয়েল

# ইমা কৈথেল রাজনিটিগী পারা তম্ফম ওইহনগনু

*হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা ফিভম অমা হায়রগদি লো এণ্ড ওর্দরগী ওইরিবা ফিভমশিং অসিনি। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল হায়বসি ষ্টেটসিগী ওইনদি খ্বাইদগী চাওবা কৈথেল অমা ওইবগী মথক্তা রাজনিটিগী অচৌবা লাল্লোং শিল্লিবা কৈথেল অমা ওইরে হায়বসি পোলিটিক্স তৌরিবা মীওই খুদিংমক্লা খঙফম থোকই অমসুং খঙলিবনি। ইমা কৈথেলগী মতাংদা শাগৎলিবা টেম্পেরেরি মার্কেট অসি মফম চাদে অমদি হান্না লৈরিবা পার্মনেন্ট সোপ্পিং কমপ্লেক্স পূন্নমক্তা অথু-অকাইগী হায়বদি মৈহৌ লাংপোক থোক্লকপা মতমদা খ্বাইদগী খুদোংচাদবা মায়োক্নহনবা য়াবা মওংদা লৈহনগনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা কৈথেলগী শরুক শেমগৎলিবা অসি থিংবীয়ু হায়না মণিপুর হায়কোর্টতা ৱাকৎখিবা লৈরে। মদুদা টেম্পেরেরি মার্কেট সেদ শানবা ৱার্ক ওর্দর য়াওদনা থবক শুরিবা কন্ট্রেক্তর অদুনদি লেপ্পা লৈতনা মহাক্কী থবকশিং মখা চত্থনা শুরি। মসিদা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রগী মীহুৎ ওইরিবা অমনা কৈথেল শাবা য়ারোই, মীয়ামগী খোঙজং চংশিনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা কৈথেলগী টেম্পেরেরি মার্কেট অসি থাঙ্গাল বজারদা শাবা য়ারোই হায়বগী মতাংদদি শিরবসু অহানবা শিবা মীওইদু ওইগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। মসিদা খ্বাইদগী হেন্না নুংশা থিবা পোক্লিবসি য়ুহারনা পোৎফম থুগায়বিখ্রবা নুপী ভেন্দররশিং অদুনি। মখোয়না উবদা থাঙ্গাল কৈথেলগী লৈরিবা মফম পূন্নমক অসি লাল্লোন-ইতিক তৌবা য়াদ্রবা মফম ওইরে হায়বসিনি। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ৱাথোক অসি মুক্লবা কয়াগী মখাদা লৈবা ওইরবসু তাংদাংবা অমা খঙদ্রগদি, ৱাথোকশিং অদু খঙদবা মীওই কয়ানা য়েৎপদগী ওইবা তারগদি খ্বাইদগী ৱাথোক চাওবা প্রোব্লেম অমা ওইগনি। মদুমক ঙসিদি ওইরে হায়না লৌবা য়াই। হৌজিক ওইরিবা ৱাফমদি কৈথেল শঙ-শাবগী মতাংদা ওইদ্রে, অঙম তান্নবগী ৱাথোক অমা ওইরে হায়বসিনি। ঠিকাদারগীদি শাবা হৌবদগী লেপ্পা ফাওবা অমসুং মদু সরকারগী মায়কৈদগী শিদোকউ হায়বগী ওইনা শেল মাঙগদবা ঠিকাদারদি ওইররোই। টেম্পেরেরি মার্কেট সেদ শাবা অমদি শিদোকপগী শেম্ফমদা মাঙগদৌরিবসিদি মণিপুর মীয়ামগী শেম্ফমনি হায়বসিমদি শোয়দ্রবনি। মতাং অসিদা মীয়াম্না হংলিবা ৱাফম্না কৈথেলগী ৱাথোক অসি করিগী চাওথোকহল্লিবনো হায়বসিনি। মসিদি ঙসি পাল্লিবা সরকার অসিনা কৈথেল ফম্বীশিংদা হকথেংননা খঙহনফম থোকপনি। কৈথেলশঙশিং অসি সেন্ট্রেল ফন্দিংদা শাখিবনি অমসুং মতম চানা শাবা লোইশিনখিবনি। মতাং চানা লাকখিবা য়ুহার অমদগী অতেক-অকায় নংখ্রবা কৈথেলশঙশিং অসি খুদোংথিনিংঙাই ওইরে হায়রগদি সরকার অসিনা নেচরেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ফণ্ডগী মখাদা কৈথেলশঙ শাবদা চংখিবা শেম্ফমদুগা মান্নবা শেম্বং অমা পীথদুনা কৈথেলশিং শানবা থৌরাং লৈ হায়বসি সরকারগী মায়কৈদগী থৌশিল লৈরগদি মীয়াম খঙনা লাওথোক্লগা কৈথেলগী ইরাংদি কন্ট্রোল তৌবা য়াফম থোকই।*

*হৌজিক উরিবদি কৈথেল ফম্বীগী ইরাংদা ফম কলহৌনবা ওপোজিসন পার্টিনা হৌরকপা ইরাং অসি রুলিং পার্টিনা কদায় ফাওবা য়ৌনা মীয়ামবু ভাব তাহন্দুনা অচুম্বদু খঙহনগদৌরিবগে হায়বসিনি। কৈথেল অনী য়ুহার হাবদা অকায়-অতোই থোক্লে, শাবা কুইদ্রিবা কৈথেল অনীনা অকায়-অতোই থোক্লগা শামিন্নখিবা কৈথেল অমনা মতৌ করম্না লেপহৌরিবনো হায়বসিমদি সরকারগী ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টনা খঙহনফম থোকই। মদু মীয়াম্না খঙলবদি কৈথেলগী টেম্পেরেরি মার্কেট সেদ শাফম থোকই নৎত্রগা থোক্তে হায়বদুগী চপ চাবা ৱাফম থল্লক্কনি। মসিদা নত্তনা মতম অমদা সরকারগী নৎত্রগা মার্কেট শাখিবা কন্ট্রেক্তরশিংগী বিল্ডিং ক্যারেটিব পেরিওদ অদু শুরগা কৈথেল হোংজিনখিব্রা নৎত্রগা নমফুন্দা কৈথেল ফম্বী লুপশিংনা তকশিনবদগী নমদুনা শঙ্গাশনখিবদগী থোকপা থৌওংগা মরী লৈনব্রা হায়বসিসু নৈনফম থোকই। কৈথেলগী ৱাথোকসিনা ষ্টেটকী লো এণ্ড লর্দরগী প্রোব্লেম অমা ওইহনবদি পোলিটিকেল লীদরশিংগী অচুম্বা ৱাখল্লোন ওইগনি নীংদে। কৈথেল ৱাথোক ফাওবা লৌইশিনবা ঙম্নবা হোৎনদ্রগদি, ষ্টেটসিগী লো এণ্ড লর্দরগী ৱাথোক সোল্ব তৌবা হায়বসিদি ঙমগদবা লৈতে। ইমা কৈথেল অসি রাজনিটিগী পারা তম্ফম ওহ্মোক্তবা ফৈ।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### করিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রিবনো?

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

*পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি অচুম্বগা অরানবগা লাপ্নদে হায়বা পাওরৌসি ঙসি লৈঙাক মপীশিংদি খঙদ্রে। শেলনবু ফৈজুপ হেক্তা শুপ্পীরক্লবদি ঐগী লোয়নবীফাওবা ৱার্ক্কিং চৎহনবা য়াই অদুমক্লি। লৈরিবা মন্ত্রি মন্ডল অয়াম্বা ঠিকাগী ৱাখলদা ঙাওজরকখিবা মশীং য়াম্লিদো। শুকখঙ হেক খঙদনা অর্জ্জুন শাদুনা চোংথোক্লবগী ৱাতনি করিগুম্বা অমত্তা ককপা ঙমগদবা নত্তে অদুবু ঙাংবদদি খোঙলগা খঙগনি, লেম্না থারোইবু হায়বনে, চীংগী লমদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্বা হৌরেবু হায়বনে মসি ভোট ময়াদদা ঙাংবগী হৈনবী থল্লিদনা। চীং তম থোং মান্ননা চাওখৎমীন্নবা হোৎনবগী মহৈনা চহী ১৫ চুপ্না হোৎনবীরক্তুনা হোমলেগুসু ওন্থরক্লে, নাগা পীছ এর্কোর্ডসু ফ্লেগ থেৎপা হৌরক্লে। অনৌবা চহীনা লাকপসিদদি আই এল পিগী বীল অহুমসু মখুৎ মশা শাংলক্কনি। লানগেরা চুমলোইরা চুরাচান্দপুরগী বীল অহুমগী মায়োক্তা খোঙজং চংশিল্লক্লিবনি হায়দুনা নিষাপুরি কয়ামসু পৎ-পুমহল্লগা ঙসিদি সহীদমীনর শেমলক্কদৌরে। লমদমসিগা করি মরী থোক্লবদগীনো ঙসিগী সরকারনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রিবসে? মরী মতা ওইবা তারগনা নুপীরোমগীরা নৎত্রগা কদোমদগীনো ময়েক শেংনা পাংদবা মীয়ামদা খঙহনবীবা চুমলক্কনি। পরিক্ষা পাস তৌরে হায়না লাওথোকখ্রবা অতুংদা মিং চনবা য়ারোই। থিংবদি করি মরমগীনো? থিংলিবা নখোয় করি ওইরি হংবা য়াদরা? মতম শাংনা বীল অদু এসেমব্লিগী ফ্লোর য়ৌদ্রিঙৈদা অপাম পামদ তাক্লবগী ঙাইদুনা লৈরিঙৈ মতমদনা বর্ম্মাদা ড্রগ লৌবা চৎলুবদগী তাহৌদবরা খঙহৌদবরা? ঙসিগী অঙম্বনি হায়দুনা লৈরিবসি মগুন য়াওদবা কেগে য়ুম্বী ঙাক্তো খনবদগী ঙসিসু ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদরি। মসিদা প্রজাশিংনা ৱারোইশিন পুথোক্লবা থৌরাং তৌরক্লবদি লমদমসে অঙাংবা ফীরালনা ৱাই চায়গনি। মখোয়না হায়বদা য়াদুনা লৈরগা নখোয়গী অচুম্বশিং পুম্বা ফোংদোকপা ঙমদবা লৈরিবমখৈ ৱারোইশিন লৈরোইএ। অচুম-অরান পুথোকপা ঙল্লবসু হোৎনদবা অদুগা লাল্লে হায়বসু হায়দবা করি মরমগীসু লানগদৌরিবা? ৱারোইশিন পুরক্লে হায়রবদি ফু-চৈদুনা ৱারক্তুনা জ্ঞান তাহন্নবগী লমদমসি অরানবা য়াদে খঙহল্লবদি ৱারোইশিন লৈগনি।*

*অদোমগী,*
*চুংখাম থানিল*
*খা জিরি*

# কবুই জাতিগী গান-ঙাই

ডি. এল. কবুই

গান-ঙাই হায়রিবা কুম্মে অসি কবুই জাতিগী হরাও-কুম্মেশিংগী মনুংদা পাখঙ-লৈশাবীনা য়াম্না পামজনা হরাওজবা শিংথাবা য়াবা কুম্মে অমনি। গান-ঙাই অসিদা পাখঙ লৈশাবীদা নত্তে, অহল-লমন, মৌ, নুপী অঙাং পূম্নমক্লা খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈবা কুম্মে অমনি। চুম্না হরাও তয়াম্বতা নত্তনা গান-ঙাই মনুংদগী লমচৎ, বাবহার, হৌন-লোনচৎ খঙলকই অমদি মীগী সেবা হৈতবা পাখঙ লৈশাবী কয়া গান-ঙাই মনুংদগী হৈরকই। মমা-মপানা ৱারকপা ঙমদবা পাখঙ লৈশাবী কয়া পাখঙ ফাল, লৈশা ফালদা ৱারক্তুনা লমচৎ কয়া চুমথোকপা ঙম্মী হায়নবা লৈ।

গান-ঙাই হরাওবা মনুংদা 'লাগঙ' লাই পূম্নমক্কী নিংথৌ লাইনিংথৌ য়াওনা হরাওই হায়না কবুই ধর্ম্ম চৎপা কাঙলুপ্না থাজনৈ। মরম অদুনা হরাওরিঙৈ মনুংদা ঈরাৎ পুজা অমদি অতৈ লাই-তিনগী থৌরম তৌবা য়াদে। অদুগীসু মথক্তা পাখঙ লৈশাবীশিংনা, নত্তবা ৱাখল, নত্তবা লমচৎ অমদি চেন-চোংবা য়াদে। করিগুম্বা চেন-চোংবা তারবদি চেল্লিবা অমদি লৈশা-লাকপশিংগী মথক্তা চৎনবী মতুং ইন্না মতিক চাবা ৱারক কোংহল্লি। মরম অদুনা পাখঙ লৈশাবীশিংনা মদু ঙাক্লা চৎনৈ। অদুদসু নত্তনা ''বানজা'' হনুবা অমদি ''গানচৎ'' হনুবগী মথংদা লৈবা অহলশিং নত্তনা ময়ুমদা তুম্বা য়াদে। মখোয়শিংদি ময়ুমদা তুমজরবসু নুপা-নুপী য়ুম্বানবগী মরী লৈনদে, মশানা ঙাক্লা চৎপা ঙম্মী, মরম অদুনা ময়ুমদা তুম্বনি। মসি য়াম্না চেৎনা গান-ঙাইগী মনুংদা ঙাক্লা চৎনৈ। কনাগুম্বা ময়ুম পাল্লবা নুপা অমসুং পাখঙ অমনা পাখঙ ফান্দা তুমদনা ময়ুমদা তুল্লবদি, নোং ঙাল্লগা নুপাশিংনা ময়ুমদা তুম্বগী লক্লা ঈশৈ শক্তুনা চৎকনি। মসিবু কবুইনা 'কাইজিপ লাওমৈ' হায়না খঙনৈ। চৎনবী মতুং ইন্না কোংফম থোকপা কোংহল্লি। মসি অতোপ্পা খুন্দগী লাকপা নুপাদা ফাওবা তৌই। মসি য়াম্না ইকাইনৈ। অরোইবা নুমিত্তা ''রাং-পম্মে'' থৌরমগীদমক খনগৎপা মতমদা হায়রিবা মীওইশিং অসি য়াওবা য়াদে।

অদুদসু নত্তনা পাখঙ ফানগী ইমুংদা নুপী মীরোলবী য়াওরবসু পাখঙ অমত্তা হায়রিবা ''রাং-পম্মে'' থৌরম অসি তৌবা য়াদে। ময়ুম পাল্লবা নুপাশিংগী মরক্তগী খনগৎকনি। মসিনা তাকপদি গান-ঙাইগী থৌরম অসি য়াম্না লুবা থৌরম ঙাক্তনি। মসিগী নুংগী ওইবা ৱাহম্বোক য়াম্না পাক চাওনা লৈখ্রে।

কবুইগী ৱারীদা মৈহৌরোন্দগী মৈ অসি তাইবং মীনা শীজিন্নদুনা লাকচরবসু মৈথাং লৌদুনা শীজিন্নরম্মী। মৈ পুথোকপা হৈরমদে। মৈ অসি লাইগী পোৎনি লাইমকনি হায়না লৌই। মৈ মুৎখ্রবদি ইমুং অমদগী নিদুনা লৌরুরগা শীজিন্নবসি চৎনরম্মী। মৈ অসি মীওইবনা হিংবদা চংদবা য়াদবা য়াম্না মরুওইবা পোৎ অমা ওইবনা কনাগুম্বা অমনা মৈ পীয়ু হায়না নিররবদি মৈ লৈনা লৈনা পীদবা তৌহৈদে হায়নবা লৈ। কবুইগী অঙাংশিংনা শান্নবদা মৈ নিবগী ৱাঙাং ৱাতা শীজিন্নদুনা শান্নবা মশান্না অমা লৈ। মসিসু অচৌবা খুদম অমনি।

কবুইনা থাজে, মীগা লাইগা পুন্না লৈমিন্নরম্বদগী মীগা লাইগা খাইদোক্নরে। অদুবু মালেম অসিদা লৈবা জীব পূম্নমক্তি লৈমিন্নরি, লোনসু অমত্তদা খংনরি। অদুবু লাগঙ লাইনিংথৌনা জীবশিং অসি মাগী মাগী কাঙলূপ কাঙলূপ তোখাই-তোখাইনা লৈহনবা পাম্মী। মরম অদুনা লাগঙ লাইনিংথৌনা লাংওল্লক্তুনা তাইবং মীবু লমজিং লমতাকপীরম্লবা মতুং মৈ অসি কনানা শীজিন্নগদগে, হায়না মত লৌখি। মদুদা মৈ অনৌবা পুথোকপা ঙম্বনা মৈ শীজিন্নজরসনু হায়না য়ানরে। মরম অদুনা জীব পূম্নমক নমিৎ লোইনা খুমজিল্লো হায়না খঙজিনহল্লে। অদুগা মৈ লোইনা লোৎশিনখ্রে। জীব অতৈনা মৈ পুথোক্লবা হোৎনখি অদুবু মাই পাকখিদ্রে। মীগা কৈগদঙাইরে। কৈনা মৈবা হান্না চিংই মৈখু ফাওবদি থোকই অদুবু মৈদি পুথোকপা ঙমদনা তোকখ্রে।

মথংদা মীওইবনা মৈবা চিংদুনা মৈ অনৌবা পুথোকপা ঙমখি। মদুদগীদি মীওইবা নত্তনা জিব পূম্নমক মৈ য়াওদনা হিংবা ঙম্নবা, ইংদনবা মৈতান অহিংবা অমমম লোইনা পীজরে, অদুগা চৎহনখ্রে। মসিগী ৱারী য়াম্না শাংনা লৈখ্রে। মীওইবনা অনৌবা মৈ পুথোকপা ঙম্বা অদুদা ঙমখৈ লৈতনা হরাওখি। মীওইবনা মৈ পুথোকপা ঙল্লমদ্রবদি ঙসি ঐখোয়না মৈদগী অঙকপা ফংনা কান্নবা ফংইবসি ফংলম্মোইদবনি। অদুনা মৈ শীজিন্নবা ফংবগী নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা হরাওবা কুম্মে অদুবু গান-ঙাই হায়না কৌই। গান হায়বদি অঙানবা হায়বনি, ঙাই হায়বদি কুম্মে হায়বনি।

গান-ঙাইগী অহৌবা নুমিত্তা অয়ুক য়াম্না ঙন্না নুমিৎ থোক্ক্রিঙৈদা খুনবী বম্বু (পম্বোং) দা অহল অমনা গুরিম হায়বদি শিং মরুনা পোৎলম ওইদুনা লাগঙ অমদি মরী লৈনবা লাইশিংদা গান-ঙাই হৌরনি হায়না পুজা অমা কৎকনি, মসি লাগঙদা বার্ত্তন কৎপনি। নুংথিলনা নুপাশিংনা হোয় লাওদুনা খুন থুংনবা চৎকনি অদুগা থেনবুংদা থুংলগনি। থেংবুংদা নুং হুনগনি অমসুং মাংজোং চোংগনি। অথোই অহেন তান্নগনি য়াওরিবা মীশিংদুদা মাইপাক থোনগনি (শোন শানপুনি)। মাইপাক থোনবা হায়বদি, অহলশিংনা য়াইফ মঙ্গলগীদমক আশীর্ব্বাদ পীদুনা মীয়াম মাংদা লাওথোকপা অদুবুনি। মদুগীদমক অহলশিংদা দক্ষিনা পীবদুবু মাইপাক থোনবা হায়না খঙনৈ।

মদু লোয়রগা পাখঙ ফান্দা হোই লাওদুনা লাক্লগা নুমিৎ তাখ্রবা মতমদা মৈবা চিংদুনা মৈ অনৌবা পুথোক্কনি।

পুথোক্লিবা মৈ অদুনা মৈ হৌগৎকনি অদুগা মৈ অদু য়ুমথোঙ খুদিং য়েনগনি। মদুগী মমাঙদা য়ুমথোঙ খুদিংমক মৈ লোয়না মুথৎতুনা লৈগনি, অনৌবা মৈশেং পুরকপা অদুনা মৈ হৌগৎকনি। মসি হৌজিক্তি খুন অয়াম্বা মৈ মুখৎনদ্রে অদুবু পুরকইবা অনৌবা মৈশেং অদু চাকখুমগী মৈদা হাপচিনবনা অয়াম্বা ওইনা তৌরে। মদুগী মতুংদা য়ুমথোঙ খুদিং মৈবা চিংদুনা পুথোক্তুনা পাখঙশিংনা চৎকনি। পুথোক্লিবা মৈবা চিংবগী মরী অমদি মৈচাক অদু মুখৎলগা চেংফু নৎত্রগা ফৌ হাপ্পা কোত্তা চহী ওন্দ্রিবা ফাওবা থম্মে। মসিগী ৱাহম্বোক্তি ইমুং অদু ৱাত্তা পাদবা নুংঙাই য়াইফবা ইমুং ওইনবনি। মদু লোয়রগা য়ুমথোঙ খুদিং ঈশৈ শক্তুনা চাক এঙ্গাং মথেল লুক্কোই চাবা চৎকনি। পাখঙগীনা পাখঙগী, লৈশাবীগীনা লৈশাবীগী কাঙলুপ নাইনা য়ুমথোং খুদিং চৎকনি। মসিদা শকপা ঈশৈশিংগী অর্থ য়াম্না ফজে। চাকচাবা মতমদসু ময়াম পুন্না ফম্মীন্নরগা চাক চাবা হৌবগী মন্ত্র শোনগনি অদুগা চাগনি।

গান-ঙাই অসি অহানবদদি নোংমখক্তা হরাওরম্বনি অদুবু মতম খরগী তুংদা নিনি চনবা নুমিত্তা পাখঙফান্দা পাখঙশিং লৈশা ফান্দা লৈশাবীশিং মাগী মাগী ময়ুমদগী 'তমচা' হায়বদি শিংজু অমসুং য়ু পুরক্তুনা ময়াম চামিন-থকমিন্নদুনা হরাওবা হৌখি। কবুই লোন্দা তম হায়বদি শিংজু হায়বনি চা হায়বদি পাত্রবু খঙনৈ, পুন্না তমচা হায়রগা খঙনৈ। মতম খরগী তুংদা পাখঙ লৈশাবীশিংনা ঈশৈ শক্তুনা জগোই শাদুনা হরাওবা পাল্লকখি। অদুনা পাখঙ লৈশাবী মকোকশিংনা পৈকাই (থৌবৈ) হায়বদি খুনগী ওঠৌরিটি, ৱায়েল বীচারগী লোয়শঙদা ঐখোয় পাখঙ লৈশাবীনা খুন অসিদা ঈশৈ শক্তুনা জগোই শাদুনা চৎচগে অয়াবা পীনবীয়ু হায়না হায়জরুবা মতমদা খুনগী অহল-লমন্না য়াদে।

খুন্দা ঈশৈ শক্তুনা জগোই শাদুনা চৎকে হায়রবদি লাগঙ তন তবম হায়বদি লাইনিংথৌগী অশেংবা য়োৎ, চীংগী পামলৌ য়ানবদা শীজিন্নবা য়োৎ মচা মখল অমনি। মসি কবুই জাতিগী ধর্ম্মগী য়াম্না মরুওইনা শীজিন্নবা য়োৎ মখল অমনি। য়োৎ অসিগী গান-ঙাই নুমিৎ অসিদা শীজিন্নগনি, লৌনগনি, খঙনগনি। অতৈ অতোপ্পা মফম মতমদা তবম হায়রিবা মিং অসি শীজিন্নদে। মসিগী নুংগী অর্থ য়াম্না চাওনা লৈ। মদু পীদ্রবদি নখোয়না খুন অসিদা ঈশৈ শক্তুনা জগোই শাদুনা চৎপা য়ারোই, হরাওবা নুমিৎ শাংদোকপসু য়ারোই। অসি হায়বগী মরমদি গান-ঙাই কুম্মেগী মনুংদা লাগঙ লাইনিংথৌ য়াওবনা মরম ওইদুনা ইরাই লাইনা কুম্মে মতম শাংদোকপা য়াদে, থৌরম হোংদোকপা য়াদে তাকপনি।

অহলশিংনা হায়বগী মতুং ইন্না পাখঙ লৈশাবীশিংনা তবমনে শিংজুনে অমসুং য়ুনে পুন্না পুদুনা ঈশৈ শক্তুনা জগোই শাদুনা (১) পৈকাই (থৌবৈ), ৱায়েন বীচারগী লোয়শঙ, (২) বানজা কাইবং, হনুবগী ফাল (৩) কিয়ংজাপুই কাইবং, হনুবীগী ফাল (৪) গানচং, হনুবগী মথংদা লৈবশিংগী ফাল অমসুং (৫) গানপী কাইবং, পাখঙ মকোক্কী ফাল হায়রিবা ফালশিং অসিদা তবম অমমম, শিংজু অমসুং য়ু পীদুনা খুনগী অয়াবা লৌবা চৎলি। মসিবু তম-চনমৈ হায়না কৌই। মদুগী তুংদা তবম পুথোকখিবা পাখঙ লৈশাবীশিং অমদি মখোয় মখোয়না খনগৎলবা লৈশাবী অমসুং পাখঙশিংগী য়ুমদা ঈশৈ শক্তুনা জগোই শাদুনা চৎলি। মদুবুনা তম থোনমৈ হায়না কৌই। অনী অসিগী ঈশৈ তোঙাল-তোঙাল্লি। মতৌ অসুম্না হরাওবা হৌখি। মতম অদুদা তৌখিবা অদুমক ঙসি ফাওবা কবুইশিংনা কাইদনা চৎনরক্লি। হৌজিক্তি তবমগী মহুত্তা পৈশানা শিনবা খুন খরসু য়াওনরে। অসুম্না মথং মথং শাংথরক্তুনা নুমিৎ মঙানি মপুং ওইনা হরাওই।

মঙানিশুবা নুমিত্তা অয়ুক নুমিৎ থোক্ক্রিঙৈদা পম্বোংদা পাখঙ অনী খুরৌ য়েংবা চৎকনি। মদুদা চহী অমগী অফ-ফত্ত খঙবা ঙম্মী খুনগী অমসুং লৈবাক্কী ওইবা হংনিংবা ৱাহংসু হংবা য়াই। মরিনি, নুমিৎ অসিদা পম্বোংদা চাঙলম্মে-লাংপৎমৈ (লমথোকপা) থৌরম অমা পাংথোক্কনি। মসি লাগঙ অমদি মরী লৈনবা লাইশিংদা থৌনিজবা থৌরম অমনি। মসি কবুই জাতিগী মৈহৌরোন্দগী চৎনরকপা কবুই খুন্দারোন্দা পাঙথোকপা থৌরমশিংগী মনুংদা য়াম্না মরুওইবা, মচং ওইবা শরুক মতেক অমনি।

মসিদা কৎপা পোৎলমশিংদা থোংবা য়েঙ্গাং অসি হনুবা হনুবী কারবা মীওইশিং নত্তনা নহারোলশিংনা চাবা য়াদে। অদুম্নদি ওইরগা অঙাং নৱাশিংদি অথিংবসি লৈতে। অঙাংশিংগীদমক্তদি পুং য়ৈদুনা চাংলমজন লৌবা লাকও হায়না কৌগনি, অদুগা পরেং শানা ফমহল্লগা য়েঙ্গাং অসি য়েনগনি। হায়রিবা নুমিত্তা, পম্বোং অসিদা খুনগী খুনবু, খুল্লাকপা, ফম্নাইবা, অমাইবনচিংবা অনৌবা হাপ্পা অমদি হনুবা হনুবী থাক্তা কাগদবা মীওই পূম্নমক লাওথোক্কনি। নুমিৎ অসি য়াম্না মরুওইবা নুমিৎ অমনি। নুমিৎ অসিগী নুংদাংদা লাংপম্মে থৌরম পাঙথোক্কনি।

গান-ঙাইগী মপুং ওইবা চাওরাকপদি মথক্তা হায়খ্রিবশিং অসিনি। অদুবু কবুই জাতিগী হরাও কুম্মে অসি চহী অমদা লন্নাই কির্তন য়াওনা য়াম-য়াম্বনা খুন খরদি খুদোংচাবা য়েংদুনা গান-ঙাই কুম্মে মনুংদা পুন্সিনবসু য়াওনরে। অদুনা মরম ওইদুনা গান-ঙাইগী মনুং ওইবা থৌরম খরা কোমথোকপা খুল খরসু লৈতবা নত্তে। পুন্সিনবশিংগী মনুংদা শিখিবশিংগী মফমদা য়ুপাল থাদুনা মোংফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী কুম্মে তরৌগান-ঙাই অসিসু অমনি। অসিগুম্বা কয়া অসি মচা খায়না য়েংবা ঙমদ্রবদি গান-ঙাইগী চপ চাবা অর্থ খঙবদা খরা ৱানা থোকপা য়াই।

অদুবু খ্বাইদগী লুরিবা ৱাফম অমদি গান-ঙাইগী ওইবা থৌরমশিং অদুগী মথক্তঃ অনৌ-অনৌবা মীরোলশিংনা হাপচিলল্লকপা মখল মথেলগী কুম্মে থৌরম্নচিংবা ময়াম্না শুপচিল্লপা ভাপ্না শারগা গান-ঙাইগী অর্থ হনবা, ইবা, লীলা, সিনেমানচিংবদা হাপচিনবা তারবদি মরী লৈনদবতা নত্তনা অকাইবা কয়া লাক্কনি। মসিদি কবুই জাতিগী য়াম্না চাওনা লাইবক থিবনি। মসিনা ফনবা তৌবদা নাকল অমদা য়াম্না চাওনা মাঙবা ফত্তবা ওইরকপা য়াই। মরম অসিনা জাতি অমদি ধর্ম্মগা মরী লৈনবা ৱারেংনচিংবা ইবা অমদি পুথোকপা তারবদি হিরম অদুদা মমুৎ তানা খঙনা অমদি য়াম্না চেকশিন্না নৈনরগা ইবা অমদি ফোঙবনা চুমগনি।

# লৈতেংগীদমক উনা-ৱানাশিংবু কংহন্দুনা লীবা

ড. লাইশ্রম ধনবতী দেবী

ঐখোয় মীওইবনা, মনা-মশীং উহৈ-ৱাহৈ অমদি লৈ-শুনচিংববু তুং কোইনা চান-থক্লবগীদমক্তা কংহন্দুনা লীশিন্নবগী থৌওংদি, মমাঙঙৈদগী হৌনা চৎনরক্লিবনি। মসিগী মথক্তা ঙসিগী চাওখৎলবা মতম অসিদদি চান-থাক্লবখক্কি নত্তনা অকে-অমৌগী মখল-মখা লৈতেং কয়া শেম-শানবগীদমকসু, অকংবা মচাকশিং অসি, মফম খুদিংমক্তা পাক-শন্না শীজিন্নরে।

থওইনা কংহল্লবা মনা-মশীং, উহৈ-ৱাহৈ লৈ-শুনচিংবা কয়াগী নীংথিনা শেল্লবা ফক্লাংগী কেলেন্দর, শিনরি, ফুলগ্লাস, টেবল ফিদা, গ্রিতিং কার্ডনচিংবা কয়া কৈথেলদা য়োনবা থেংনরি অদুগা য়ুমগী নীংথিরবা লৈতেং ওইনহনবা ইমুং কয়াসু ঐখোনা উনরি। অসিগুম্বা মখলগী লৈতেংশিং অসিদি ইমুং-মনুং অমগী মীপুম অয়াম্বনা ইরাই-লাইনা হেক্তমক শেম-শানবা য়াবা মখলশিংনি। মতাং অসিদা, লৈতেংশিং অসি শাবদা শীজিন্নরীবা হৈপাল-লৈপালশিংগী মচাকশিং অদুবু তুং কোইনা লীনবগীদমক্তা মতৌ করম্বা কংহনগদগে হায়বসি খঙজিনবদা কান্নগনি।

উনা-ৱানাশিংবু লীনবগীদমক কংহনবা ঃ

উপাল-ৱাপাল, হৈপাল-লৈপাল অমবু নৎত্রগা মদুগী মচাকশিংবু কংনা লীবগী পাম্বৈ অসিবু বৈজ্ঞানিক্কি লোন্দা ''হারবেরিয়ম মেথড' হায়না খঙনৈ। (১) ইচম-চম্না কংহন্দুনা লীশিনবা (২) লশিংগী পাম্বৈনা লীশিনবা (৩) লৈঙোইগী পাম্বৈনা লীশিনবা (৪) সিলিকা জেলগী পাম্বৈনা লীবা হায়দুনা মখল-মখা থোক্লা খায়দোক্তুনা লীবগী মশক-মওং তোঙালহল্লি।

১। ইচম-চম্না কংহন্দুনা লীশিনবাঃ

মওং অসিগীদমক অহানবদা ঐখোয়না ইচম-চম্না চে নৎত্রগা মুকচাবী চে খরা থৌরাং তৌগদবনি, কংহন্দুনা লীগদৌরিবা লৈ নৎত্রগা মনা-মশীংশিং অদুবুসু থমনিংবা মওংদা শেম-শাগদবনি। অদুগা মদুবু চেশিংনা মথক-মখাদা নীংথিনা কুপশিনগদবনি। মথক-মখা অনীমক্তা কুপ্লিবা চে অদুগী চেরোল অদু য়ামদ্রবদা অনী অহুম ওইগদবনি। মদুবু চপশিল্লবা মতুংদা লৈতেম মান্নবা মফমদা থল্লগা, লৈতেম মান্নবা, পাক্লা লুল্লবা পোৎশক অমনা নৎত্রগা থৌদৌ অসিগীদমক্তা শেল্লবা ''হারবেরিয়ব প্রেস'' হায়বা পোৎশক্লা ননশিন্দুনা চয়োল অম থমগদবনি। থৌওং অসিগী খুদোংচাদবা হায়ববু, চয়োল অমগী মতুংদা,ননশিল্লিবা অদু লৌথোকপা মতমদা, লীনবগীদমক্তা কংশিল্লবা লৈ-শুশিং অদুগী অশেংবা মচুশিংদি অয়াম্বনা মাংখিরমগনি।

২। লশিংগী পাম্বৈনা লীবগী মওংঃ

লীগদৌরিবা পোৎশিং অদুগী অচৌ পীশক্কী মতুং ইন্না, মুকচাবী চেগী মথক্তা মচু শেংবা অফবা লশিংবু ইঞ্চি ১.৫ মুক থানা শন্দোক্কনি। মদুগী মথক্তা লীগদৌরিবা পোৎশক অদু অপাম্বা মওংদা থল্লগা মখাগীগুম লশিং কুপশিল্লগা অমুক হন্না মথক-মকা অনীমক্তা অতোপ্পা লশিংনা মরোল ২-৩ থোক্লা য়োমশিনগনি। অশুম্না য়োমশিনবা লোয়রবা মতুংদা, মুকচাবী চেনা মথক-মখা চপ্লগা লৈতেম মান্নবা মফমদা অরুম্বা পোৎশক অমনা ননশিল্লিবদু চয়োল অমা থমগনি। চয়োল ফারবা মতুংদা ননশিল্লিবদু লৌথোক্লগা য়োমশিল্লিবা লশিংশিং অদু তপ্না-তপ্না লৌথোক্কদবনি। মওং অসিদদি লীরিবা পোৎশক অদুগী মহৌশাগী মচুশিং অদু হোংহন্দবা ঙমই।

৩। লৈঙোইগী পাম্বৈনা লীবাঃ

খুদেংগুম্বা পংপিক-পিক্তবা পাত্র অমদা লৈঙোই চোচ্রোবী ইঞ্চি তরুকলোম থানা শন্দোক্তুনা হাপকনি, মথক্তা মুকচাবী থল্লগা লশিংনা অমুক ইঞ্চি অমা মখায় থানা শন্দোক্কনি। মদুদা লীনবগীদমক কংহনগদৌরিবা পোৎশক অদু অপাম্বা মওংদা শেমদুনা থল্লগা মথক্তা লশিং অমসুং মুকচাবী চে হাপচিনগনি। মদুগী মথক্ত অমুক লৈঙোই হাজিনগনি। অসুম্না শেম্বা লোয়রবা মতুংদা সেন্টিগ্রেড ডিগ্রি ২৫° দগী ৩০° ফাওবগী মৈশা-পিদুনা নুমিৎ হুম্নি থমগদবনি। নুমিৎ হুম্নি লৈরগা হাংদোক্তুনা থল্লিবা পোৎ অদু চেকশিন্না লৌথোক্কদবনি। মসিগুম্বা কংহন্দুনা লীবগী পাম্বৈ অসি শীজিন্নবনা মরুওইনা অকংবা উহৈশিংবু মশাগী মচু-মওং কায়হন্দনা লীদুনা মতম কুইনগীদমক থম্বা য়াই।

৪। সিলিকা জেলগী পাম্বৈনা লীবাঃ

''সিলিকা জেল'' হায়বা অসি ইরাই-লাইনা ফংবা হিদাক মখলনি। মসিনা অশেংবা উহৈ-ৱাহৈ, লৈ-শু, মনা-মশীংনচিংবদা য়াওরিবা ঈশিংগী শরুকমখৈ চংথোক্তুনা, য়াম্না লাইনা কংহনবা ঙমই। মথক্কী পাম্বৈশিংনা লীবদা খুদোং চারোইদৌবশিংদদি সিলিকা জেলগী মতেংনা লীনবগী কংহনবনা হেন্না খুদোং চাই। খুদম ওইনা ---অতর গুলাবকুম্বা, ডালিয়াগুম্বা লৈনা য়াম্না পানবা লৈশিংগী মখলশিংদি মথক্কী পাম্বৈশিং অসিনা লীনবগীদমক কংহনবদা খুদোং চাদে। মরম অদুনা অচৌবা লৈগী মখলশিংবু মশাগী মওং অমসুং মচু মাংহন্দনা লীদুনা থম্নবগীদমক্তী ''সিলিকা জেল'' গী পাম্বৈ অসি শীজিন্নগদবনি।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা পাম্বৈশিং অসিগী মতেংনা কংহল্লবা হৈপাল-লৈপাল মনা-মশীং উনা-ৱানা কয়াবু ঐখোয় ইশা-ইশানা পামজবা মওংদা নপশিন-খোৎচিন্দুনা, শেল ইচং-চংদনা য়ুমগী নিংথি-নিংথিরবা লৈতেং কয়া শেম-শাবা য়াই অসিগুম্বা থৌওং অসি য়ুমগী মমা-মপা ওইবশিংনা, মখোয় মখোয়গী অহাংবা মতমদা হোৎনবিরবদি, মদুনা নৌরিবা অঙাংশিংদা অনৌবা অফবা ৱাখল পোকহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি।